# য়ুস্বু ত্রাও এফ সী মকোক থোংলিবা মোহন বগান এফ সীগী মখুৎতা পাঞ্জল ১-৩দা মায়থীবা নংখ্রে






ইম্ফাল, মার্চ ০১ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা অনীশুবা থাক্কী কম্পিটিসন ওইরিবা হিরো আই লীগকী ঙসি খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অমদা ত্রাও এফ সী লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈখিবা মোহন বগানগী মখুৎতা পাঞ্জল ১-৩দা মায়থীবা নংখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুগী হৌরকপা য়াম্না ঙল্লিঙৈ শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা মোহন বগানগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি ফংখি। খুদোংচাবা অদু মোহন বগানগী শান্নরোয়ফ্রান গোঞ্জালেসনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

লীগ অসিগী চেম্পিয়ন ওইরগদবা অতোপ্পা টিম ১০না লানখৎপা ঙম্লোইদবা ফিভমদা লৈরিবা মোহন বগান এফ সীগী মায়কৈদগী মেচকী ২২শুবা মিনটতা জোসিবা বৈত্যানা মহাক্কী টিম মেট এস বদাকেপিদিকানা পীরকপা বোল অমদা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ত্রাও এফ সীবু ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

জোসিবাগী পাঞ্জল অদু মতুং মিনট ১ লোইদ্রিঙৈদা মখা তানা মোহন বগান এফ সীগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা কে তুরসুনোবনা পীরকপা বোল অমদা মহাক্কী শান্নমিন্নরোই বি দিয়ারারানা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা অহানবা হাফ অদুদা মোহন বগাননা ত্রাও এফ সীবু ৩-০দা হেন্দুনা লৈখি।

অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল ৩ শোথুরবা ত্রাও এফ সীগী মায়কৈদগী জে ওলায়েলানা পীরকপা য়াম্না ফজবা পাস অমদা টিমমেট জি ৰিল্লিমসনা পাঞ্জল চন্দুনা ১-৩দা লৈখি। মখা তানা মেচ অদুগী চথুরকপা মিনট ৪৫দা মোহন বগান এফ সীনা ত্রাও এফ সীবু ৩-১দা থোইদুনা পোইন্ট ৩৫ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mohun Bagan | 14 | 11 | 2 | 1 | 33 | 12 | +21 | 35 |
| 2 | Punjab | 14 | 5 | 7 | 2 | 19 | 16 | +3 | 22 |
| 3 | Churchill Brothers | 13 | 6 | 2 | 5 | 22 | 18 | +4 | 20 |
| 4 | East Bengal | 14 | 5 | 4 | 5 | 21 | 17 | +4 | 19 |
| 5 | Real Kashmir | 13 | 5 | 4 | 4 | 15 | 13 | +2 | 19 |
| 6 | Gokulam Kerala | 13 | 5 | 3 | 5 | 17 | 17 | 0 | 18 |
| 7 | Chennai City | 14 | 4 | 5 | 5 | 17 | 18 | −1 | 17 |
| 8 | Aizawl | 14 | 3 | 7 | 4 | 17 | 18 | −1 | 16 |
| 9 | TRAU | 15 | 4 | 4 | 7 | 15 | 27 | −12 | 16 |
| 10 | NEROCA | 14 | 4 | 3 | 7 | 21 | 29 | −8 | 15 |
| 11 | Indian Arrows | 13 | 2 | 2 | 9 | 6 | 16 | −10 | 8 |

১৮শুবা কংলৈপাক কপ ২০২০

# অহৌবা নুমিৎকী মেচতা কুম্বী এফ সী (এ)না ৰাই এ দি এ (এ)বু অমদি ঐচ এফ সীনা ৰাংঙু এফ সীবু মায়থীবা পীখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ০১(ঐচএনএস): ৰাপোকপী এথলেটিক রুরেল দিভলপমেন্ট ক্লব (ৰার্দ), ইথাই ৰাপোকপীনা শীন্দুনা টিম ২৮না গ্রুপ ২ থোক্লা খাইদোক্তুনা ক্লব অসিগী শান্নবুঙদা ১৮শুবা এদিসন কংলৈপাক কপ ২০২০গী ৫ মেন এ সাইদ সোক্কর টুর্নামেন্ট ঙসি হৌদোকখ্রে। অহৌবা নুমিৎকী মেচ অনীদা কুম্বী এফ সী (এ) অমদি হিয়াংথান এফ সী (ঐচ এফ সী) মায় পাকপা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপগী থৌরমদা দিপ্যুতি ইনস্পেক্টর ওফ স্কুল, মোইরাং মোইরাংথেম মেঘচন্দ্র সিংহনা চীফ গেষ্ট, সোসল ৰার্কর লাইশ্রম থোইবা সিংহনা প্রসিদেন্ট অমদি সোসল ৰার্কর য়াংলেম ইবোতোম্বী সিংহনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা নুমিৎকী অহানবা গ্রুপ 'এ'গী মেচতা ৰাই এ দি এ (এ) অমদি কুম্বী এফ সী (এ) লম্বা তৌনখি। মেচ অসি টিম অনীমক লম্বা মান্না শান্নবা হৌরকখি। কুম্বী এফ সীনা চথুরকখিবা এটেক অমদা শান্নবগী ৩৫শুবা মিনটতা দল্লীয়ু রোবার্ত জর্সি নম্বর ১৫না একাউন্ট হাংখি। অদুবু মিনট অনী লৈরগা শান্নবগী ৩৭শুবা মিনটতা ৰাই এ দি এ (এ) গী ও প্রেমচান্দ জর্সি নম্বর ৮না ইক্কেলাইজর চন্দুনা পাঞ্জল ১-১দা মান্নখি।

মখা তানা অপীবা মতমগী মনুংনা টিম অনীমক্কা মখা তানা পাঞ্জল হাপচিন্নবা ঙমদনা পাঞ্জল ১-১দা লৈনখিবদগী পেনাল্টি কাউনবদা তাখি। পেনাল্টি কাউনখিবদা কুম্বী এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৩ চনখি। অদুগা ৰাই এ দি এ (এ)গী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ চনখিবদগী মেচ অসি কুম্বী এফ সীনা ৰাই এ দি এ (এ)বু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ 'বি'গী মেচ অমদা ৰাংঙু এফ সী অমসুং হিয়াংথান এফ সী (ঐচ এফ সী) লম্বা তৌনখিবা মেচকী অপীবা মতমদা টিম অনীক্কা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা পেনাল্টি কাউনখি। পেনাল্টি কাউনখিবা অদুদা ঐচ এফ সীনা পাঞ্জল ২ চল্লগা ৰাংঙু এফ সীনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মখোয়বু ৰাংঙু এফ সীনা ০-২দা মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেচ ওইনা গ্রুপ 'এ'দা থাংজিং এফ সী অমসুং পি ৰাই আই য়ু পোৎশঙবম থেংনরগনি। অদুগা গ্রুপ 'বি'গী মেচতা য়ু কে সী সী এল অমদি গুনি এফ সী লম্বা তৌনরগনি।

১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০

# এস এস য়ু অমদি নেরোকা অমসুং এ এফ সী অমদি য়ু কে বি দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচএনএস): খুমুকচম জয়কিশন সিংহনা স্পোন্সর তৌদুনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না শীন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথুরিবা '১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০'গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এস এস য়ু অমদি নেরোকা এফ সী অমসুং এ এফ সী অমদি য়ু কে বি দ্রো চৎখ্রে।

মেচ অসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এস এস য়ু অমদি নেরোকা এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসি টিম অনীমক্কা লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা এস এস য়ুগী ঐচ সিতল জর্সি নম্বর ২৪ একাউন্ট হাংবা ঙমখি। অহানবা পাঞ্জল চনখ্রবা মতুং শান্নবগী ২২শুবা মিনটতা নেরোকা এফ সীগী এস রোনাল্ড জর্সি নম্বর ৬না ইক্কেলাইজর চন্দুনা পাঞ্জল ১-১দা মান্নখি।

অহানবা হাফ লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্ত্রবা ৩৭শুবা মিনটতা নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী এস সুবাস জর্সি নম্বর ৪২না চন্দুনা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল ২-১দা মাংজিল থারগা লৈখি।

মেচ অদুগী অনীশুবা হাফ হৌরকপগী ১৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা শোথদুনা লৈখিবা এস এস য়ুগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২৬ রোনাল্ডোনা ইক্কেলাইজর অদু চল্লগা টিম অনীমক ২-২দা লৈনখি। মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী মেচ অদু দ্রো চৎখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা এ এফ সী অমসুং য়ু কে বি পাঞ্জল ৩-৩দা দ্রো চৎখি। এ এফ সীগী মায়কৈদগী টি ঐচ সুরজ জর্সি নম্বর ২৩, এম দি ফায়াজুদ্দিন জর্সি নম্বর ৭ অমদি এম ওকেন জর্সি নম্বর ১৭না মথৎ শীৎনা ৬, ১৬ অমদি ৬৫শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা য়ু কে বিগী মায়কৈদগী লালমিনলিয়ন, পাওরেলসিম অমদি জোননা ৬০, ৮১ অমসুং ৮২শুবা মিনটতা চনখি।

কোইজম য়াইমা ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# টি বি এস এফ এ (এ) অমদি য়ু ভি এস এ (সী) মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচএনএস): অকাম্পাৎ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন, অকাম্পাৎনা শীন্দুনা টিম ১৫না গ্রুপ অহুম থোক্লা খাইদোক্লগা এলভেন ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী ফুটবোল গ্রাউন্দ, অকাম্পাৎতা চথুরিবা ৮শুবা কোইজম য়াইমা মেমোরিএল ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা টি বি এস এফ এ (এ) অমদি য়ু ভি এস এ (সি) মায় পাকখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুব বিগী মেচ অমদা বি এস এফ এ (এ) তাওবুংখোকনা ভি এফ সী (বি) ককৰাবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী শান্নখিবা মেচতা য়ু ভি এস এ (সী)না অম্বা উরিপোকপু পাঞ্জল ৬-০দা চাওনা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

# এথলেটশিং ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচএনএস): হরিয়ানাগী পঞ্চকুলাদা লৈবা টি এ য়ু দেভিলাল এথলেটিক ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ৭তগী হৌদুনা ১১ ফাওবা চথখিবা ওল ইন্দিয়া নেসনল মাষ্টর্স এথলেটিক চেম্পিয়নশিপ ২০২০দা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী এথলেটশিং ওকপগী থৌরম মণিপুর মাষ্টর এথলেটিক এসোসিএসননা শিন্দুনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

ওকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা মণিপুর মাষ্টর এথলেটিক এসোসিএসনগী সেক্রেটরী আর কে চোরজিৎনা হায়খি, চেম্পিয়নশিপ অদুদা নুপা এথলেট ৪৮ অমদি নুপী এথলেট ৪৯ পুন্না এথলেট ৯৭কা লোয়ননা ওফিসল ৫না শরুক য়াখি। মণিপুরগী টিমনা চেম্পিয়নশিপ অদুদা গোল্ড ৩৭, সিলভর ৩০ অমদি ব্রোঞ্জ ২০ পুন্না মেদল ৮৭ লৌবা ঙমখি হায়না ফোঙদোকখি।

১০শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল সী আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# ৰাই পি ঐচ য়ু ললাম্বুংনা কে এল এ এস এ কৈনৌবু অমদি নিসা থাংমৈবন্দনা জি এস সী চুরাচান্দপুরবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০১(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর অমদি নাগালেন্দ সেক্টর সী আর পী এফনা শীন্দুনা টিম ২৫না শরুক য়াদুনা সাই স্পোর্টস কমপ্লেক্স তাকয়েলগী আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথুরিবা ১০শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল সী আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ৰাই পি ঐচ য়ু ললাম্বুং মখোঙনা কে এল এ এস এ কৈনৌবু অমদি নিসা থাংমৈবন্দনা জি এস সী চুরাচান্দপুরবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৭শুবা মেচ ওইনা ৰাই পি ঐচ য়ু ললাম্বুং মখোঙ অমদি কে এল এ এস এ লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা টিম অনীমক্কা লম্বা মান্ননা শান্নবা হৌরকখি। শান্নবগী ১৯শুবা মিনটতা ৰাই পি ঐচ য়ুনা চথুরকপদা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় এন ওলেন জর্সি নম্বর ২১না একাউন্ট হাংবা ঙমখি।

ইক্কেলাইজর ফংনবা কে এল এ এস এনা চথুরকখিবা একেট অমদা শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা এল কিসন জর্সি নম্বর ১২না চন্দুনা পাঞ্জল ১-১দা মান্নহনখি। অহানবা হাফকী লোইরমদাই ৪৫শুবা মিনটতা ৰাই পি ঐচ য়ুগী কোমান্দো জর্সি নম্বর ৫না পাঞ্জল অমা হাপচিল্লগা পাঞ্জল ২-১দা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফতা ৰাই পি ঐচ য়ুনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা হৌরকখি। হাফ অসিগী শান্নবা হৌরকপা মিনট ৪ চঙশিল্লকপদা ৰাই পি ঐচ য়ুগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা এন ওলেননা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনখ্রবা মতুং শান্নবগী ৭২শুবা মিনটতা মহাক্কী হেটট্রিক ওইবা পাঞ্জল মিনট ৭২না চন্দুনা মখোয়না কে এল এ এস এবু পাঞ্জল ৪-১দা হেন্দুনা লৈখি।

পাঞ্জল শোথুরবা কে এল এ এস এগী মায়কৈদগী ঐচ রোমেস জর্সি নম্বর ২৬না ৭৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখ্রবসু মখা তাবা মতমদা টিম অনীমক্কা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিন্নবা ঙমদনা মেচ অদু ৰাই পি ঐচ য়ুনা কে এল এ এস এবু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা নিসা থাংমৈবন্দনা জি এস সী চুরাচান্দপুরবু পাঞ্জল ৬-০দা চাওনা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

অহানবা হাফতা নিসনা খুদুম চন্না শান্নরক্তুনা শান্নবগী ২০ অমদি ৩০শুবা মিনটতা এল গৌরো জর্সি নম্বর ১০না পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। অনীশুবা হাফতা এল সুধির জর্সি নম্বর ১৭, এল সনাতোম্বা জর্সি নম্বর ১১, ঐচ তেলহৈবা জর্সি নম্বর ১৩ অমদি জোনিচান্দ জর্সি নম্বর ৯না মথৎ শীৎনা ৫৩, ৬৪, ৮৬ অমদি ৮৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি।

২৪শুবা লাসল স্পোর্টস মীট ২০২০

# অনৌবা মঙাল ৰাঙ্গোইনা কে ৰাই সী কৈনৌবু মায়থীবা পীখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ০১(ঐচএনএস): লৈমপোকপম খুনফম অপুনবা শান্নরোয় লুপ (লাসল)না শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুঙদা ২৪শুবা লাসল স্পোর্টস মীট ২০২০গী লেট এন চন্দ্রেশ্বর মেমোরিএ সভেন মেন এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি হৌদোকখিবগা লোয়ননা ওপনিং মেচতা অনৌবা মঙাল ৰাঙ্গোইনা কে ৰাই সী কৈনৌবু পাঞ্জল ৫-০ চাওনা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপগী থৌরমদা নম্বোল কেন্দ্রগী এম এল এ এন লোকেন সিংহনা চীফ গেষ্ট, লাসলগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ও ইবোতোম্বা সিংহনা প্রসিদেন্ট, লৈমপোকপম জি পিগী প্রধান টি ঐচ পাসোত দেবী অমদি লাসলগী ৰার্কিং প্রসিদেন্ট ও বিজেন সিংহনা চীফ গেষ্টশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসি টিম ২৪না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ২ থোক্লা নোকআউট ওইনা চথগদৌৎরবা অসিগী ওপনিং মেচ ওইনা অনৌবা মঙাল ৰাঙ্গোইনা কে ৰাই সী কৈনৌবু পাঞ্জল ৫-০দা চাওনা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

অনৌবা মঙালগী মায়কৈদগী বিপিন জর্সি নম্বর ৭না পাঞ্জল ৩, রোহিত জর্সি নম্বর ১০ অমদি অজিৎ জর্সি নম্বর ৬না পাঞ্জল ২ পুন্না পাঞ্জল ৫ চনবা ঙমখি।

হয়েংগী অহানবা মেচ ওইনা পি বি ৰাই সী পাওনা বজার অমদি পুবজি য়ুনাইদেট অমসুং অনীশুবা গ্রাউন্দদা এম আর সী অমদি এফ সী লুৰাংশঙবম লম্বা তৌনরগনি।



HL-B/6019/4 feb-5march



HL-B/6002/15/2-18/4

HOUSING LOAN AVAILABLE
(Upto Rs 50 LKHS 12% P/a)

মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা লৈবা য়ুম তশেংনা শানীংবা অমসুং ইনকম মতিক চানা লাকপা মীওইশিংগী ওইনা হাওজিং লোন পীজরি। Home Repairing, Renovation, Modular Kitchen, Grazings অমসুং Floor Repairing নচিংবগী লোনগী খুদোংচাবসু লৈগনি। Tiles, Granites, Marbles, Sand অমসুং Cements কী Free Home Delivery Service সু ফংবীগনি।

Mobile Nos. # 8787727402 # 8787530036

Please Contact:- L.G. Construction & Materials Company Pvt. Ltd.
Khagempalli Huidrom Leikai, Imphal West
HL/B/5934/27

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com